## এডিটোরিয়েল

### খ্বাইদগী ৱাথোক লৈবা এদমিনিষ্ট্রেসন লৈত্রবা এদুকেসন দিপার্টমেন্ট

মার্চ তাং ২৬ তা এদুকেসন (এস) কী দাইরেক্টরনা থোকপা ওর্দর অমদা ২০১৪–১৫ গী শেনবা চহি লোইশিল্লকপগী মতাংদা এম আই এস সেক্সন্না পীগদবা কম্পুটরাইজ তৌরবা সেলারি ষ্টেতমেন্ট (সি এস এস) অসি মতম চানা ইশু তৌগদবনি অমসুং মদু মরী লৈনবা দি দি ও শিং অমদি প্রিন্সিপালশিং, জের্দ ই ও শিং, দি আই শিং, হেদ মাষ্টরশিংনা মখোয়গী মখাদা থবক তৌরিবা মীওইশিংগী তঙাইফদবা চে–চাংশিং অদুগা লোয়ননা চেকলিষ্ট অমা মতম শুকপি পীদনা ঙসি মার্চ তাং ২৭কী নুমিদাং পুং ৯ ফাওবগী মনুংদা পীশিনগদবনি হায়রি। খ্বাইদগী নোক্লিংবদি নুমিদাং পুং ৯ ফাওবা হায়রিবা দিপার্টমেন্টকী ওফিসসি মথৌ তৌব্রা হায়বসিনি। এদুকেসন দিপার্টমেন্ট অসি হিল অমসুং ভেল্লি হায়দুনা অনিরক থোকখ্রে। স্কুল দিপার্টমেন্ট অসিগী ওইনা সেক্সন অনি অসি লৈজখ্রবসু মখোয়–মখোয়গী মথৌ তৌবা ঙম্বা ফুল ফ্লেজেদ ওইবা দিপার্টমেন্টশিং ওইরব্রা হায়বসি এদুকেসন দাইরেক্টরনা থোক্লিবা ওর্দর অসিদা চমন্নবা অমদি অদুমক লৈরে। অসিগী মথক্তা ঙসি থোকপা ওর্দর অমনা ঙসিমক ওর্দর অদু কমপ্লাই তৌগদবনি হায়বসি কয়ামুক য়াম্না ইফিসিয়েন্ট ওইগদবা ওর্দরনো হায়বসি হংবা তাই। মসিগী মথক্তা নুমিৎ খরনিগী মতম পীদনা দিপার্টমেন্ট অসিগী মনুংদা লৈরিবা ইমপ্লোইশিং অসিগী পীহৌদবা চহি অমগী তলব পীগনি অমসুং মদু পীনবা হোৎনবদা মরুওইবা ওফিসিয়েলশিংনা শোখহৌবা তারগদি মদুগী দাইত্ব পুন্বা মরুওইবা থৌ পুরিবশিংনা পুগদবনি হায়নসু ফোংদোক্লি। নুংঙাইরিবদি খ্বাইদগী ইমপ্লোই মশিং য়াম্বা দাইরেক্টোরেটশিংগী মনুংদা এদুকেসন দিপার্টমেন্ট অসিসু অমনি। মখোয়না মথৌ তৌবা নত্রগা তৌদবদা য়ুম্ফম ওইদনা খন্নরিবা ৱাফমদি দিপার্টমেন্ট অসিগী দাইরেক্টর ওইরম্বশিংনা অমুক্তা ফাওবা দিপার্টমেন্ট অসিগী চাওখৎ–থৌরাংগী মতাংদা নত্রগা ইমপ্লোইশিংগী সেক্যুরিটিশিংগী মতাংদা খনখিবা লৈতে হায়বসিমা য়াম্না চুম্বা ৱাফম অমা ওইনা লৌদবা য়াদ্রে।

হৌজিক ওইরিবা দাইরেক্টোরেটকী ফিভমদা থবক্তগী পোত্থাখ্রবা মীওইশিং অদুগী মহুৎ শিন্দুনা ফম কারক্লিবা ইমপ্লোইশিং অদুগী থা খুদিংগী পীফম থোকপা তলবকী চাং অদু কদাই ফাওবনি হায়বা খঙদনা লৈরি। মসিগী মথক্তা ফম কাথোক–কাশিন অমদি হোংদোক–হোংজিন তৌবদা মরী লৈনবা ওঠোরিটিশিংনা মখোয়গী ফমশিং অদু নিংথিজনা হায়বিদবদগী ঙসি ফাওবা তলব ফংদনা চহি অমাগী মথক্তা খাঙলবা ইমপ্লোইশিং য়াওরি । মসিদা হায়নিংলিবনা করিগী ইমপ্লোই অমগী হক অদু কন্নবা দাইরেক্টোরেট অসিনা হোৎনদ্রিবনো অমদি মরী লৈনবা মিনিষ্টরশিংনা করিগীদমক হিরমসিদা মীৎয়েং চঙদবনো হায়বসিনি। হৌজিক্তি মণিপুর সরকারগী মখাদা লৈবা স্কুল অমদা মথৌ তৌগদৌবগী মহুৎ তোঙান্বা বিজিনেস ইনষ্টিট্যুসন অমদা মথৌ তৌবনা রিগুলর ইন্‌কম তানবা ঙম্মী হায়না লৌনবা মওংদা লাক্লবনি। মসিগুম্বা ফিভম অসিদা ষ্টেট এদুকেসন দিপার্টমেন্টনা মখোয়গী মখাদা লৈরিবা ইমপ্লোইশিংগী তলব অসি মার্চ ফাইনান্সিয়েল ইয়ার অসিগী মনুংদা তশেং–তশেংনা পীফম থোকপা শেলফমশিং অদু ইমপ্লোইশিংগী একাউন্টশিংদা চঙহন্বা মথৌ তাই। চঙলিবা একাউন্টশিং অদুগী মতুং ইন্না কনাগুম্বা টেক্সেবল ওইবা ইমপ্লোইশিংগী মথক্তা ইন্‌কম টেক্সশিং অদু লৌখৎকদৌরিবনি অমদি মদুদা শোইবা তারগদি নত্রগা সরকারগী দিপার্টমেন্টনা মতম চানা তলব থাদোকহৌদবদগী থীহৌদবা ইন্‌কম টেক্স ওইবা তারগদি মদুগী দাইত্ব মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট অমসুং সরকারনা পুফম থোকই। মদুমক হায়রিবা মণিপুর সরকারগী লৈরিবা দিপার্টমেন্টশিংগী হেদশিংনা মরুওইনা মণিপুর সেক্রেটরিয়েটতা লৈরিবা দিপার্টমেন্টশিংগী মথৌ তৌরিবা থৌবুরেলশিংগী অশোইবদগী থোকপনি হায়না লৌদবা য়ারোই। নুমিৎ খুদিংগী মহৈ–মশিং তম্বগী লমদা মথৌ তৌজরিবনি হায়রিবশিং অসিসু পোলিটিকেল ওইবা জেনরেসন অমা ওইরকপদৌনা লাকপসিমক কন্ট্রোল তৌদবা সরকারগী পোলিসি অমদগীনি হায়বা তাই। ষ্টেট এদুকেসন দিপার্টমেন্ট অসি মপু পান্দবা খ্বাইদগী ৱাথোক য়াম্বা দিপার্টমেন্ট ওইরব্রা হায়বসি লৈঙাকসিনা থীজিনবা চুম্মী।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### মী য়াম্না তিন্বা মফমদা বোম পোকখায়বা

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

মণিপুর অসি চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না অনৌবা ৱাখল অমদি লৌশিং কয়া পুথোক্লরে হায়বসি য়াম্না চুম্বা ৱাফমনি। ফংলিবা–ৱাখল লৌশিং অমদি মহৈ–মশিং অদু ফত্তবা থবক তৌবদা শিজিন্নরবদি করম্না কান্নগদৌরিবনো। ঙরাং থোকখিবা থৌদোক অমবু অনৌবা অঙকপা পাউ অমা ওইনা ঙসি পাউচেশিংদা ফোংলকখি। পাউদু অতৈ করিশু নত্তে শরেং মনুংদা বোম য়াওরম্বগী পাউদুনি। পাউদুগী মতাংদা ঙাংনবা লোইদ্রিঙৈ ঙসি অমুক মফম অমদা , হয়েংনা মফম অমদা য়াম্না তেইনা বোম পোখায়হনবা অমুক হৌরকএ। হয়েংগী পাউনা করি হায়গদবা খঙনীংবগী লাংতক্লবা অমদি পুক্লিংদা লৈরি। বোমদুগী মরমদা ঐখোয়না তৌবনি হায়বা ঙম্বা শক্তী লৈবা মীওইশিংদু থোক্লক্লবদি য়াম্না নুঙাইগনি।

বোম পোখায়হনববু ফাগীরো? অঙাংগী চাকথোংবী শান্নবগী মতৌরো ? বোম পোখায়হন্বনি হায়গদবা মীওইশিংদুনা মীয়াম শাওদনবনি হায়বা করি করিনো পংঙাং ঙাংলক্কনি। তানিংদবনা নকোং মেনবা মীগী মশিংনা হেল্লী হায়বসি খঙফম থোক্তব্রা। মীরক্তা বোম পোখায়হল্লগা মীচমদা অৱাবা পীরিবা মখোয়দি বোমগী চৈনা ফংলবা ঙাক্তরা। করিনো খঙদে হায়গদবা ঙাংনগদবা মওংশি য়াম্না লুরে। অশিংবা শাবা ৱাখল য়াওদবা মখোয়গী মওংসি করি হায়রগা ভাব তাগদবনো। শম্না হায়রবদা হৌদোংগা পাঙখক ওইবা মীওই কাংলুপশিংগী থৌওংশিংসি ঐখোয় য়াদুনা অদুম লৈখিসি হায়রিব্রা। করিগা চাংদম্নগদবনো খঙদ্রবা মথোঙ হুক্তবা, ৱাখল থেনবা মীওইশিংসিনা মীচম প্রজাদা অৱাবা কয়া পীরি । মীয়াম পুন্বা মফমদা বোম পোখায়বা তৌবীদবনা পুন্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি খল্লি অমসুং মরী লৈনবা মীওইশিংনা অশিগুম্বা থবক অসি মতুংদা তৌবীদনবা খবরগী খুত্থাংদা হায়জরি।

অদোমগী
কে বিরেন
ইম্ফাল ৱেষ্ট

# নম্নবদা মখা থংবনা মথকপু কিদ্রা হংবদু থোক্লে!

## (লীচংকী মিয়েংদা)

যু এন সী (য়ুনাইটেড নাগা কাউন্সিল) না পনখিবা –'মণিপুর ষ্টেট মীয়াম্বু ঈঙনা চনিং তানা লৈহনগে / লৈহল্লোই হায়বা য়ু সী এন গী খুত্তা লৈ' হায়বা ৱারোল অসি, মেডিয়ানা শন্দোক্তুনা লৈবাক পুংজাউ থিনখরে। তাদে–খঙদে হায়না, কংলৈ (ষ্টেট) লৈঙাক্লা চেনবা য়াগদবা নত্তে। মেডিয়াবু মখোঙ শেমগত্তুনা , এম এল এ লাইশোম ইবোমচা ঈবুঙোনা–কংলৈ মণিপুর মীয়ামগী মরক্তা শীঙচেপ থাবা ৱাঙাঙ ঙাঙলিবা 'য়ু এন সী' অসি 'অনলোফুল এক্টিভিটিজ প্রিভেন্সন এক্ট, ১৯৬৭ গী অথীংবা থমসি হায়না , বিধান সভাদা ফোঙদোকপসু মেডিয়ানা শবাক ফাকখরে। তাদে–উদে–খঙদে হায়না চেনবদি, কংলৈ লৈঙাক্কী লৈঙাকপসিং পুন্নমক চেন্নবা লম্বী ফংনিঙাই ওইদ্রে খল্লি! কংলৈ লৈঙাক্লা করি করম্বা থৌদাং লৌখৎলকপগে য়েংবা তারি।

যু এন সী কংলৈ অসিগী লৈহাওদা চোংবা পান্বীনি। চাক্লা কংলৈ ফুরুপ ময়ামগী অমত্তা ওইরিবা চাকখুমগী চাক চারগা, ৱা ঙাঙবা, তৌথোরকপা থৌদৌনা, নাগীগীদা য়েংবা হায়বসি, ফুরুপ কয়ানা পুন্না শেন্লিবা অপুনবা শক্তম (ইন্টিগ্রিটি) লৈক্রক চংহন্দুনা থুগাইগে, নাগাগী খুত্তা লৈঙাক পায়গে খনবা ৱাখল অদু, অপঙ–থৌনাদা উখোরকপনি। অয়াকপা–অকনবা উত্তুনা কিহনবা (ধমকা) মতৌ উখোকপনি। মসিমক্তি শিংবগী থাক নেম্লি হায়না মালেম খুনাইনা লৌরোইদবগী মরম ফংগদবা মান্দে! নাগা নেসন, মালেম করম্বা মফমদা, করম্বা মতমদগী লেম্ফু তাখিবগে হায়বা, মালেম হৌরক–ৱারী (ৱার্ল্ড হিষ্টরি) গী লমায়দা লিখুল ফংদনা লৈরি হায়বসি , মালেম অখঙ–অহৈ থিজিল্লোই শিংনা পীবা ৱারোলনি। ভারত পুৱারী (ইন্দিয়ান হিষ্টরি) গী লমায়দা, ১৯৬২–৬৩ অদুৱাইদা 'নাগালেন্দ' কৌবা ষ্টেট অমা, ভারতকী অৱাং নোংপোক্কী লমদা, মণিপুর অমসুং অসামগী তাইনফম পরিংদা, লমখৈ য়াত্তুনা, ভারত লৈঙাক্লা শেম্বিখিবা লৈখি। 'নাগালেন্দ' হায়বনা নাগা কৌবা নেসন অমগী লৈপাক্লি হায়বা তাক্লি । নাগা নেসন অদু নৌনা শেমখিবগী খুদম চাউনা পীরি। নাগালেন্দগী লমখৈনি হায়না য়াৎখিবা লমখৈ মনুংদা, হান্না নাগালেন্দ পোক্লিঙৈগী মমাঙদা, মফমদুদা খুন্দারম্বা ফুরুপ ১৫ পুল্লগা নাগা নেসন শেমখিবা নাগালেন্দ টুরিজম্না, নাগালেন্দগী লমখৈগী অচৌবা,লৈফম তাকপা লোঙ্গিচুট–লেটিচুট মমিং–মশিঙ নচিংবা শেংনা পীরি। আঙ্গামী–আও–লোথা–কোনয়াক–ফোম–চাং–য়িমচুঙর–খিয়ামুঙান–কুকিনচিংবা কম্যুনিটি ১৫ খক্তমক য়াওরি। ঙক্লিঙাই ওইবা অমনা, নাগা নত্তে হায়রিবা কুকি য়াওরিবা অসিনি। মসি থিজিল্লবদা, নাগালেন্দ ওইদ্রিঙৈ মতমদা লমখৈ অসিদা কুকি খুল মচা অমা লৈরম্বদগী, নাগা নেসন শেম্বদা কুকি লংথোক্লম্বা য়াদদুনা য়াওখিবা ওইনা ফংঙি। ঙসিদি খুল অদু লৈখিদরে, কুকি কম্যুনিটিসু নাগাগী মায়োক্তা লেপ্লি। অসুম্না শেমখিবা নাগা নেসনগী ঈমুংদা, কংলৈ (ষ্টেট) মীত্রেবাক (মণিপুর)গী চীঙবুরোই(ট্রাইব) ফুরুপ ২৯ (য়েলহৌ মীতৈ ঈরুপ / নেসন গী ঈমুংগী ফুরুপ) গী মনুংদা অমত্তা য়াওখিরমদে। ঙসি নাগালেন্দ পোকখ্রবা মতুংদা, শাগৎখিবা, কম্যুনিটি ১৫ খক্কী নাগাদা, কংলৈ অসিগী মীতৈ ঈমুংগী ফুরুপ ২৯ চিংশিন্দুনা, কাঁচ্চা–নাগা হায়না খঙনহনখিবা, নাগা ষ্টেটস মপুঙ ফাদ্রিবা কাঁচ্চা–নাগাশিংনা, নাগা ওন্নিংবদগী নাগাদা নপসিল্লগা, লিংখিবা 'য়ু এন সী' নি হায়না লৌরোইদবগী মরম ফংদে। মরম পীবা তারগদি –মণিপুরগী য়েলহৌ (ওরিজিন) ফুরুপ খরনা, নাগাগী অপাম্বদা, মণিপুরগী লৈহাওদা শাগৎলগা, নাগালেন্দ অমসুং নাগাগী ৱা ঙাঙলিবা , মণিপুর মচেৎ ফক্তুনা গ্রেটর নাগা লম শাগৎনবা পান্দম পুরক্লিবসি পনবা য়াই। মসি 'ইশাগী খুরাইদা শিঙজংনা য়ান্সিঞ্জবা' থোক্লোইদ্রা খন্থবা চঙব্রা খল্লি! হৌরকফমসু ওইরিবা, ঙসিসু লমদম অসিগী লৈহাওদা হিংলিবা / বীশিংনা, নাগা ওইনা নাগালেন্দদা তিল্লগা চাওখৎলকপগী মঙ তল্লিবসি মকু মঙ তাগনি, হেন্না লৈখা তাবা থোক্কনি! অশেংবনি হায়রিবা নাগাশিংনা, তাংখুল–কবুই–মাও–মরাম–পুদুনামৈ–চিরু–লোঙা–অনাল–মরিং–পুরুম–পুরুল–লমকাং–চোথে–কোইরেং–কোম–কোমরেং–কোইরাউ–মোরোন–মোন্সাং–তরাউ–আইমোল–থাঙ্গাল–খরম্নচিংবা, মীতৈ ঈমুংগী চীঙবুরোই ফুরুপ পুম্নমকপু, ঙসিফাওবা 'কাঁচ্চা নাগা' হায়না খঙলিবসিনা নাগাগী পুক্লিংদা কিশি অমা পুল্লি হায়বসি খঙমিন্নবা মতম থেঙমল্লব্রা খল্লি!

পুন্নমক অসিদা মিয়েং তাবিরগা–মতম অমদা অপোকপী পলেম ঈমাগী, মতা ফবা মতম্বাক্তা, চীঙবু–তম্বুরোই ফুরুপ ৩০ না, য়েক ৭ কী ঈচিল–ঈনাউ, ঈ (জিন) অমত্তা ওইবগী লিংজেল মান্নবা, নুংশি–চান্ননা লেংগোন্নদুনা, অরৈবা খরদং য়েৎন–শিক্লা চামিন্নরিঙৈ মতমদা,কনাই মখা পোন্দনা হায়না হুম্না নিং–তম্না, মিংচৎ লৈনা পাল্লম্বা, ঈপা–ঈপুশিংনা, ঈনা ছম্বল খাদুনা ঙাক্লম্বা ঈরৈপাক 'মীত্রেবাক ' (মণিপুর) কনমিন্নমা মতম লাক্লবনি। মতাংসিদা মীরান মমা কোন্দুনা, মীরাল চাওখৎনবা, ঈরৈপাক–ঈরমদম মচেৎ–তাহনবনা ফংগদবা অতোংবা করি ওইগনি? উচি কল্লক্তুনা ঈয়ুম মৈ চুরগদি তাঙ্গোই ওনবা ময়েক্লি। মিয়েং অসিদা য়েংলগা, য়ু এন সী না লান্না থাংজিনখিবা খোঙথাং হন্দোকহন্নিঙি! কংলৈ লৈঙাকসু, সেন্টরনা চাপী থারগা, উরু–উরু লৈনা চেনবা 'টৌই স্কুটর' গী মতৌদা উঙজা পুবা লেপ্পা মতম থেংমল্লব্রা খল্লি! সেন্টরগী ঈঙ্গিৎ য়েংদুনা তৌফম থোকপা, 'য়েলহৌ–মী কন্নবা বীল' মপুঙ ফাহন্দনা হাউসদা পুথোক্লগা মেজোরিটি কমান্টতা পাস নমতৌ–তৌবগী থৌদৌ হন্দোকপীবা ঙম্বগী থৌনা ফুদোকপা মতম চারে হায়জনিংঙি ! ঈরৈপাক–ঈরৈপাক্তা কন্নবা হোৎনবদা,কনাদসু কম্প্রোমাইজ তৌবিরোইদবনি। লৈঙাকপা মীহুৎ মীয়াম্না থাগচ্চরিবসি, কংলৈ মীয়াম পুন্নমক্তগী হেনবা খঞ্জখিবনি। মীথোইবা অমগী তিকয়াই মাঙহনবা ঙমদনবা অরৈবা কষ্টী পুথোকপীবা মতম চারব্রা খল্লি!

> **খন্নসি–নৈনসি– ৩৪৯**
> **ৱাই চীঙ্খে ঙানবা লুৱাং**

# পামহৈবা মতমদা পুয়া মৈ থাখিবগী মতাংদা শেংদোকচবা

মমংগী মখা ...

অদুগী মীতৈ ঐখোয়গী ইঙা কুমদম ইঙেন কুমখাই হায়রিবসি (সমমর সোলসটিস হায়বদি জুনগী তাং ২১) অসি ওইরম্বা য়াই। মতাং অসিদা ৱাকচিংদা কুম তম্বগী ৱা অমসু লৈরি। অদুবু সেপ্টেম্বর তাং ২২ অতমনেল ইকুইনোক্সকী ৱাদি থেংনদে। মসি নাকেন্থা ওইবনা ওইরমগনি। হৌজিক্কী মতমদদি জানুৱারী নত্রগা মার্চ্চ নত্রগা এপ্রিলদা চহি হৌবা তারে। মরম কয়া অসি লৈবনা চহি থবানগী মতাংদা অখং–অহৈ কয়াগা খন্ন নৈনবা অম অমুক চংই। অদুবু 'মুন্দেন এষ্ট্রোলোজি' স্নামহি লাইনিংদা চন্নদে।

মরম অসি লৈবনা ডা. টি. বি. সিংহগী সাইন্তিফিক ওইনা কম্পুটরাইজ তৌদুনা পুথোরকপা সেমিনার পেপরদগী লৌথোকচবা হায়বদি মোর্ডন কেলেন্দরগী মতুং ইন্না খৃঃ ১৭২৯ ৱাকচিং ২৩ নি পান্বা অসি শগোলশেন জানুৱারী তাং ২৭ ওইফম থোকই হায়না ইবদুদগী লৌথোকচবনি। মসি সঙাই এক্সপ্রেসকী লামাই ৭ নিংথৌকাবা জানুৱারী তাং ১২ দসু ফোংখ্রে। ঐগী অহান্বা চেফোংদা জানুৱারী তাং ১৬ হায়না ইখিবদু প্রিন্টিং মিসতেকনি।

চৈথারোল কুম্বাবা (এ রোয়েল ক্রোনিকল ওফ মণিপুর) অসি নিংথৌশিংগী দাইরি মখল অমনি। অসিগুম্বা মীতৈ নিংথৌশিংগী দাইরি মণিপুরগী ক্রোনিকল অসি শঙকাই ফম্মাং পুয়া হায়দুনা কয়ারক হন্না–হন্না শেমদোক শেমজিন তৌখ্রে হায়বসি পুন্নমক্লা য়ান্নরবা ৱাফমনি। মরম অদুনা চৈথারোল কুম্বাবদা য়ুম্ফম ওইবা লাইরিক লিশিং লিশিং লৈরগসু মদু অমুক হন্না য়েংশিনবা মথৌ তারে। লোয়ননা ইরমলিবা মীতৈ ময়েক্তুসু অরি অনৌ য়েংশিন্বা মথৌ তারে। লোয়ননা থাপালোন কেলেন্দরগী মরমদা খঙমিন্নসি হায়বা দল্লিয়ু হোমেন্দ্রোনা তাং ৯ ফেব্রুৱারী ২০১৫ 'পোক্লফম' লামাই ৭ তা য়াওরিবদু য়েংবিয়ু মদুগী জানুৱারী তাং ১৬ অমসুং ২২ ইং শক ১৭২৯ অসি নোংমাইজিং অমসুং থাংজ তারে। মরম অদুনা জানুৱারী তাং ২৭ ইং শক ১৭২৯ দি শগোলশেন ওইফম থোক্লে হায়বা তশেংনা তাকই। মরম অদুনা দল্লিয়ু হোমেন্দ্রোগী অপীবা তেবলশিংদু অমুক্তা হন্না য়েংবীয়ু। শম্না হায়রবদা ঙানু কাংঙানা ঈশিংগা শঙ্গোমগা য়ান্নরগা পীথকপদা শঙ্গোম থকলগা ঈশিং ঙাক্তা থমলমবগুম পুয়া মৈ থাখ্রবা মতুংদা ইরিবা চৈথারোল কুম্বাবা নৈনবদা লৌবা য়াবা মচাক লৌবগা লোয়ননা চীনহাই ৱারীশিং, লারৈ লাথুপ পুয়াশিং অমসুং অতৈ–অতৈ অফংবা লাইরিক পুয়াশিংগা লোয়ননা য়াম্না সাইন্তিফিক ওইবা মওংদা থিজিনবা অমা অমুক চংই।

মতৌ অসুম্না চৈথারোল কুম্বাবু কয়ারক হন্না–হন্না শেমদোক শেমজিন তৌদুনা নিংথৌগী ওইনা লৈগদবদু কোনুংদগী লন্নাই মীওইশিংনা শেমদোক্তুনা থমখিবনচিংবগী মতাংদা 'ৱাহয় অমনিদং' হায়বা চৈথারোল কুম্বাবগী ৱাহৌদোক্তা এলাংবম নীলকান্তা (জেনরেল সেক্রেটরী) না ইরি মদুদি 'কুম্বাবগী কপি অমা অনিসু শিন্দোকনরম্বা য়াই নত্রগা ইতিহাসকী মচাক ওইবা লাইরিক কয়াসু অমুক তান্নরম্বা য়াই। কোনুংগী মপান্দা লৈবা কপিশিংদগী অমুক শিনজিন্দুনা হাপচিনবনি হায়রবসু থাজনিংঙাই ওই।'

লোয়ননা 'চৈঃকুম' লামায় রোমান ৮ (২) দা লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহন সিংহ (তাং ১২–৬–৬৫ ইং) দা ইরিবনা 'মণিপুরেশ্বর মহারাজ সার চুরাচান্দ সিংহ কে. সি.এস.আই.সি.বি ই গী থৌজান্দগী চৈথারোল কুম্বাবা কৌবা লাইরিক অসি মীতৈ ময়েক্তগী বাঙ্গলা ময়েক্তা ইংশোক ১৯২৫ গী অদুৱাইদগী হৌনা পণ্ডিতশিংদগী ফংবা হৌই । মসি মপুং ফানবা হোৎনবদা চহি কুম্ভ্রামাথোইরোম চংই। ইংশোক ১৯৫৬ তদি ছাপা নম্বা য়াবগী ফিভমদা লৈরে।'' অমুক্কদু চৈঃকুংগী 'ৱাহৌদোক' শ্রীনিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ (উরিপোক, লমদা ১৩ নি পান্বা তাং ২৪–০৩–৬৭ ইং) না অসুম্না ইরি 'মণিপুরদা কিয়াম্বা মহারাজনা পান্বা মতমদা খৃঃ ১৪৮৪ দা হিয়াং লোয়না ইহান–হান্না চৈথাবা হৌখি... চৈথাবা হৌখিবসি শক ১১০৬ তনি হায়না ইবা লাইরিকসু য়াওই অদুগা কুম্বাব খরদনা শকাব্দ ১৪০৭ তনি হায়না ইবসু থেংনৈ' অসুম্না খেৎনবা কয়া লৈ হায়বগা লোয়ননা চৈঃকুঃ লামায় ২০ দসু নিংথৌ ক্যাম্বগী মতমদা চৈথাখিবশিংগী খেৎনবা কয়া ফজনা ইরি। লোয়ননা 'এ ক্রিতিকেল ইষ্টদি ওফ দা রিলিজওস ফিলোসোফি ওফ দা মীতৈজ বীফোর দা এটভেন্ত ওফ বৈষনভিজম ইন মণিপুর' অইবা ডা. এল.ভৈগ্যচন্দ্র সিংহ (১৯৮৭) থেসিস সবমিটতেৎ টু দা গুৱাহাতি য়ুনিভর্সিটি লাইরিক অসিগী ৱাহৌদোক্তা ইরি মদুদিঃ

'শম ওফ দেম আর ইন দা আরকেক স্কৃপ, ৱাইল অদর আর রেন্দর ইন্টু মোর্দন মণিপুরী। মেনসন মে বি মেত ইন দিস কননেক্সন ওফ দা রোয়েল ক্রোনিকলস, দা চৈথারোল কুম্বাবা। দিস বুক ত্রেসেস দা হিষ্টরি ওফ দা মীতৈ ফ্রোম এ.দি. ৩৩ অপটু মোর্দন তাইমস। এ সেকেন্দ সেট ওফ ক্রোনিকল, দা নিংথৌরোল লম্বুবা , কনটেন্দ মেনি এইদিওলোজিকেল লেটজেন্ত এন্দ সবপ্লিমেন্ট দা চৈথারোল কুম্বাবা এট ভেরিওস পোইন্ত। দিয়র ইজ, হাওইভর, লিটল দোকমেন্টরি ইভিদেন্স ফোর শম বিলিবস এন্দ প্রাকটিসসেস এন্দ কোনসেকোইন্তলি ইনফোরমেসন কনসরননিং দেম ইজ কললেকটেৎ ফ্রোম মাইবা এন্দ মাইবী, দা প্রিস এন্দ প্রিসটেসসেস ওফ দা ট্রেদিসননেল রিলিজন'। মতৌ অসুম্না মীওই কয়া কয়ানা চৈথারোল কুম্বাবগী অশোইবা ইবগা লোয়ননা 'এ সোর্ট হিষ্টরি ওফ কংলৈপাক (মণিপুর)' পার্ট ৱান অইবা ৱাংখেমচা চীংতমলেন লামায় রোমান ৮ দা ইরি মদুদিঃ–

'সো ফিকসন ফ্রোম ফিকসন, ফ্রোম ফিক্তিসিঅস নেম টুফিকটিতিওস নেম, ফ্রোম ফিক্তিসিঅস একাউন্ট ওফ হিষ্টরি টু ফিক্তিসিঅস একাউন্ট ওফ হিষ্টরি, ফ্রোম ফিক্তিসিঅস দেত ওফ হিষ্টরি টু ফিক্তিসিঅস দেত ওফ হিষ্টরি মাইট হেপ রন ইন ১০০ পেজজেসন ইন দা চৈথারোল কুম্ববা। সো, হাওদা প্রজেন্ত চৈথারোল কুম্বাবা ইজ টু বি এক্সেপটেৎ এজ হিষ্টরি ওফ দিস এনসিএন্ত কিংদম ওফ কংলৈপাক?' লোয়ননা খোংজোম লানগী মতাংদসু অনি অদুম থোক্লে হায়বদি গভর্নমেন্টনা এপ্রিল তাং ২৩ দা অদুগা চৈথারোল কুম্বাবগী কাংবুনা এপ্রিল তাং ২৫, ১৮৯১ ইং দা তৌরে।

> **ডাঃ মঙাংচা থৌদাম লাইব (রাজেন)**
> **এসোসিয়েট প্রোফেসার ,মোদর্ন কোলেজ**

মথং মথং ...

# প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিঃ পুক্লিংগী ৱা (২২–০৩–২০১৫)

ঐগী নুংশিজরবা লৌমী ইচিল–ইনাওশিং অমদি ইচল–ইচেশিং পুন্নমকপু খুরুমজরি। ঙসি লৈবাকসিগী খুঙ্গংদা লৈবীরিবা ইচিন–ইনাও অমদি ইচল–ইচেশিংগা ৱারী শাবগী তাঞ্জা অমা ফংজবসি ঐগীদি লাইবক ফবনি। অদুগা করিগুম্বা ঐনা লৌমীগা ৱারী শারকপা মতাংদদি ঐঙোন্দা খুঙ্গংগা ৱারী শানবা, খুঞ্জাশিংগা ৱারী শান্নবা, লৌবুক্কী শিন্মীগা ৱারী শাবগুম্না ফাওরিবনি। অদুগা ৱাহন্থোক সোমদা য়েংলুগদি হৌজিক ফাওবদা শান্নখিবা ঐগী পুক্লিংগী ৱাসি খরা তোপ–তোপ্পা মওং অমা ওইনা ফাওরিবনি। ঐনা লৌমীশিংগা ৱারী শান্নবা খল্লকপা মতাংসিদা থাপ্ল–থাপ্লবা খুঙ্গংদা লৈবিরিবা মীওইশিংনা অসুক য়াম্বা ৱাহং, অসুক য়াম্বা ৱাখল্লোন, অসুক য়াম্বা চিথিশিংসি উবদা ঐ ঙকই, মসি ঐগী ৱাখলনা লাম্বদা ফংখিদবনি। নখোয়সি কয়াদা মিৎ–নাশিংখ্রবনো, কয়াদা চেকশিনখ্রবনো অদুগা নখোয়গী ৱাসি কনানো অমত্তনা তাবীরগদি হায়না খোয়রাংলম্বা জাৎনি। ঐনা ইহান হান্না নখোয়বু খুরুমজরি, নখোয়গী চিথিশিংসি পারগা নখোয়গী চৈনা, নখোয়গী খুদোং চাদববা কয়াদু উবা ফংই। অসুক য়াম্বা অৱাবশিংসি খংলবদা নখোয়না অতৈ করি অমুক খাংলমখিগদগে হায়বদু খঙই। নখোয়না ঐবু ঙকহল্লি, অদুবু ঐনা লৌমী মন কি বাতসিগী, ঐগীদমক তমজনবগী তাঞ্জা অমা ফংবনি হায়না লৌজৈ। অদুগা ঐগী লৌমী ইচিন–ইনাওশিং অমদি ইচল–ইচেশিংদা থাজবা পীজনিংবদি নখোয়না থাংগৎপীরকপা ৱাফম খুদিংমক, হংবীরকপা ৱাহং খুদিংমক, তোঙান–তোঙান্বা মাইওন্দা পুখৎপীরকপা ৱাফম খুদিংমক্তা , হিরম পুন্নমক্তা ঐনা লৈঙাকসিবু মীৎকুপ নাহুম শিংহনগনি, পুখৎনবা হোৎনগনি, ঐগী খুঙ্গং, ঐগী লাইরবা, ঐগী লৌমী ইচিন–ইনাওশিংনা অসিগুম্বা ফিভমসিদা নমদুনা লৈহন্বা য়াবা নত্তে। ঐদি ঙক্লিবনি লৌমী ইচিন–ইনাওশিংনা লৌবুক্কা মরী লৈন্নবা ৱাফমদি ইবীরক্লি অদুবু অতৈ ৱাফম কয়ামুকশু হায়বিরকই, খুঙ্গংগী লমহেন–তুহেনবশিংনা পীবা অৱাবা মফিয়াশিংনা পীবা অৱাবশিংগী মতাংদসু পনবিরকই, মহৌশা লাইরেম্বীনা পীবা চৈথেংশিংদি ফরিবনি অদুবু অকোয়বদা লৈরিবা লল্লোন–ইতিক তৌরিবশিংসিদগীসু অৱাবসি ময়োক্লবা তারিবনি। কনাগুম্বা অমনা খুঙ্গংদা অমোৎপা ফোংদোকপীরকই, কনাগুম্বা অমনদি শাশিং শিরগা হুন্দোকফম লৈতদুনা লায়না শন্দোকরকপগী ৱাফম ফাওবা হায়রিকই। হায়বদি কয়ামুক য়াম্না থৌসাবিদ্রবগে হায়বদুনি অদুগা ঙসিদি লৈঙাকসিদা ফল্লিবা মীওইশিংদা অকনবা পাউজেল অমা 'মনকী বাট' সিদগী ফংলি। অসিগুম্বা ৱা মচা–মচাশিংসি য়েংশিল্লবতদা ঐখোয়না লৈবাকশিদা পান্নবগী হকসি লৈগনি। পুন্নমকসি পারুরগা ঐখোয়না করি তৌখ্রবগে হায়না করি–করিগুম্বদদি ইকায়বা ফাওখি। করিগীদমক তৌরিবনো হায়বসিগী পাউখুম ঐঙোন্দা লৈতে। হোয়,নখোয়গী ৱাফমসিনা ঐগী থম্মোয়নুংদদি শোকহল্লরি। অওনবা অমা পুরক্লবা ঐনা সোয়দনমক্কী হোৎনগনি অদুগা মসিগী মায়ওন খুদিংমক লৈঙাকশিবু মীৎকপ থোকহনগনি, লৌশিং তাহনগনি, চেলহনগনি, ঐনা হোৎজগনি হায়বসিগী থাজবা পীজরি। হৌখিবা চহিদা নোং মরাং কায়না চুখিদবগী অৱাবদি অদুম লৈখ্রবনি হায়বা ঐ খঙ্‌ঙী। হন্দক্তি মতম চাদনা নোং চুরে, লেন তারে, মওং অমরোমদা মহারাষ্ট্রদা নত্তনা রাজ্য পুন্নমক, অৱাবসি মায়োক্লরি অদুগা মফম খুদিংমক্তা লৈরিবা লৌমী ইচিল–ইনাওশিংনা খুদোংচাদবসি থেংনরিবনি। পাম্বৈ লৈজদ্রবা অপীকপা লৌমীশিংগীদি ৱানা হোৎনজদুনা চহি চুপ্পা অমা লেনজরিবা পুন্নমক মাঙলিবনি।

> **পি আই বি ফিচর**

মথং মথং ...